# দটস জুনিয়র ওপনদা মৈরাবা মায়থীহৌরে, প্রিয়াংসু ক্বার্টর য়ৌখ্রে





হার্লিম, মার্চ ০২ (এজেন্সী) :

নেদরলেন্দসকী সিটি হার্লিমদা ফেব্রুৱারী ২৭তগী হৌখিবা দটচ জুনিয়র ইন্টরনেসনল ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুরদগী হৌখিবা মৈরাবা লুৱাং প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে। অদুবু অতোপ্পা টিমমেট প্রিয়াংসু রাজাৱট মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মৈরাবা লুৱাং ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইখিবা ইন্দোনেসিয়াগী খৃষ্টিয়ান অদিনটাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম মৈরাবা লুৱাং অমসুং খৃষ্টিয়ান অদিনটাগা য়ান্নবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অদুবু গেম অদুগী লোইশিল্লকপদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ইন্দিয়াগী মৈরাবা লুৱাংবু ২১-১৮দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় খৃষ্টিয়ান অদিনটানা মৈরাবা লুৱাংবু লাকশিনবা হেল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা মৈরাবা লুৱাং পোইন্ট ১০ খক লৌরিঙৈদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরায় অদুনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লগা অদিনটা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিদা মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দদা স্বিদেনগী শান্নরোয় পিটর ওলসন লুভিকপু ২১-১০, ২১-১১দা মায়থীবা পীরমখি। অনীশুবা রাউন্দদা মৈরাবনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক নেদরলেন্দসকী রোবিন মেসমানবু ২১-১৪, ২১-৯দা থোইরম্বনি। অদুগা অহুমশুবা রাউন্দদা মহাক্না স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৯শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা আর্নেষ্টো বাটিসপু ২১-১৩, ২১-১৬তা থোইরম্বনি।

ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয় প্রিয়াংসু রাজাৱট ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সীদেদ শান্নরোয় ফ্রান্সকী ক্রিষ্টো পোপোপ্পু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২২-২০, ১৫-২১, ২১-১৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কনাদাগী শান্নরোয় ৪শুবা সীদেদ ওইরিবা ব্রাইন য়াঙগা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় সাই সরন কোয়া ঙসি প্রী ক্বার্টরদা চাইনাগী লি য়ুন জিগী মখুৎতা ১৫-২১, ১৬-২১দা মায়থীহৌখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াবু ইন্দিয়ানা অহানবা ৱান দে মেচতা য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে

হায়দরবাদ, মার্চ ০২ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচতা ৱিকেট ৬তা থোইদুনা সেরিজ মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

ঙসি হায়দরবাদকী রাজিব গান্ধী ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা টোস অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ২৩৬ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর উসমান খৱাজানা বোল ৭৬তা রন সিক্স অমগা লোয়ননা ফোর মঙা য়ৈদুনা পূন্না রন ৫০ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। ওপনর অমদি কেপ্তেনসু ওইরিবা অরুন ফিন্স ইন্নিংসকী অনীশুবা ওভরদা স্কোর বোর্দতা মখোয়গী রন অমত্তা লৌবা ঙমদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী বোলর জসপ্রিট বুমরানা আউট তাহন্দুনা মার্কস ষ্টোইনিস শান্নবা চঙলকখি।

ষ্টোইনিস অমসুং উসমান খৱাজানা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ্তা রন ৮৭ হাপচিন্দুনা ফীভম শোক্লুরবা টিম অদুগী স্কোর শাগৎপা হৌরকখি। ষ্টোইনিস বোল ৫৩দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৩৭তা আউট ওইখি। মহাকপু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোলর কেদর জাদবনা আউট তাহনখি। পিটর হেন্সকোম ২১শুবা ওভরদা চঙলকখিবনি। মহাক্না লোয়ননা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপন ওসমান খৱাজাগা লোয়ননা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ অদুদা রন ১০ হাপচিল্লগা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ৯৭ য়ৌরকপদা খৱাজা বোল ৭৬তা সিক্স অমগা লোয়ননা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫০দা ইন্দিয়াগী বোলর কুলদিপ য়াদবনা আউট্ট তাহনখি।

হন্দক্তা লৈবাক অনীনা শান্নখিবা টি-২০ মেচকী অরোইবা মেচতা সেরিজ মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌখিবা গ্লেন মেক্সৱেল শান্নবা চঙলকখি। মেক্সৱেল অমদি হেন্সকোমনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ্তা রন ৩৬ হাপচিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা স্কোর অদু রন ১৩৩ য়ৌরকপদা হেন্সকোম রন ১৯দা আউট ওইখি। এষ্টোন টর্নরনা মহাক্কী মহুৎ শিনখি। অথুবা মতমদা টর্নর বোল ২৩দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম য়ৈরল্লগা রন ২১দা ইন্দিয়াগী বোলর মোহম্মদ সামিনা আউট তাহনখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা স্কোর ১৬৯ লৈখি।

মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা এস এলেক্স কেরি অমদি গ্লেন মেক্সৱেলনা ইন্নিংস মখা তানা পুখৎলকপা অদুদা রন ৪ হাপ্পা হৌবদা ঙাইরিঙৈ মেক্সৱেলবু ইন্দিয়াগী মোহম্মদ সামিনা রন ৮০দা আউট্ট তাহনখি। মেক্সৱেল বোল ৫১দা ফোর ৫ য়ৈরমখি।

নেথন কোলটর অমদি এলেক্স কেরিনা ইন্নিংস অদুগী ওভর ১০ শান্নমিন্নবদা হান্না লৈরম্বা রন ১৭৩দগী রন ৬২ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর ২৩৫ য়ৌহনখি। নেথন বোল ২৭তা রন ২৮ লৌরগা আউট ওইখি। অরোইবা বোল অদুদা এলেক্সনা রন ১গা হাপচিল্লগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৩৬ লৌখি। এলেক্স আউট ওইদনা বোল ৩৭তা রন ৩৬ লৌরগা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মোহম্মদ সামি, জসপ্রিট বুমরা অমদি কুলদিপ যাদবনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। অদুগা কেদর জাদব ৱিকেট ১ লৌখি। মায় পাক্নবা রন ২৩৭ লৌননবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়াগী ইন্নিংসসু হৌরকপদা ফীভম শোকখি।

ওপনর সিখর ধৱন ইন্নিংসকী অনীশুবা ওভরগী অহানবা বোলদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর নেথন কোলটরনা আউট তাহনখি। মহাক্কী মহুৎ কেপ্তেন ভিরাট কোহলিনা শিল্লকখি।

রোহিট শর্ম্মা অমদি কোহলিনা ইন্নিংস অদুগী অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ্তা রন ৭৬ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর অদু ৮০ য়ৌরকখি। ১৭শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ভিরাট কোহলি রন ৪৪দা আউট ওইখি। মহাক বোল ৪৫ মায়োক্লবদা সিক্স অমগা ফোর তরুক য়ৈরমখি।

অম্বাটি রায়ুদুর ক্রিজদা চঙলকখি। মহাক্না ওপনর রোহিট শর্ম্মাগা মখা তানা রন ১৫ হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী স্কোর ৯৫ শুরকপদা রোহিট শর্ম্মা রন ৩৭তা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী মমাঙদা কেপ্তেন ওইরম্লবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি শান্নবা চঙলক্তুনা অম্বাতি রায়ুদুরগা ইন্নিসং অদুগী মখা তানা রন হাপচিন্নবা হোৎনরকপদা রায়ুদুর রন ১৩দা আউট ওইখি। কেদর যাদবনা মহাক্কী মহুৎ শিনখিবনি। ওভর ২৪দগী যাদব অমসুং ধোনিনা মঙাশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ্তা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিং অদুবু খুদুম চনবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুগী ৪৯শুবা ওভরকী অনীশুবা বোলদা মায় পাকপগী রন ২৩৭ অদুদগী লাপ্তেক্লগা ২৪০ লৌদুনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৬তা থোইখি। ধোনি আউট্ট ওইদনা বোল ৭২দা সিক্স অমগা লোয়ননা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৯দা লৈখি। অদুগা নহা ওইরিবা কেন্দর জাদব বোল ৮৭ মায়োক্লবদা সিক্স অমগা ফোর ৯ য়ৈদুনা রন ৮১দা লৈখি।



# জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরকিওস মেক্সিকো ওপন টেনিস ফাইনেলদা থেংনরগনি

একাপুলকো, মার্চ ০২ (এজেন্সী) :

মেক্সিকোগী সিটি একাপুলকোদা পাঙথোক্লিবা মেক্সিকো ওপন এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা জর্মনিগী শান্নরোয় আলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস লম্বা তৌনরগনি।

জর্ম্মনিগী শান্নরোয় আলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা বৃটেনগী শান্নরোয় কেমরুন নোরিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৭-৬ (৭-০), ৬-৩দা থোইরমখি। নাকল অমরোমদা মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় নিক কিরগিওসনা মহাক্কী সেমী ফাইনেলদা য়ু এস এগী জোন ইস্নরগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনদুনা সেট ২-১দা মায় পাকখি।

অহানবা সেট অদু নিক কিরগিওসনা ইস্নরবু ৭-৫দা থোইখি। অনীশুবা সেট য়ু এস এগী শান্নরোয় অদুনা চপ মান্নবা স্কোরদা ৭-৫দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীমক সেমী ফাইনেল অদুদা সেট অমমম মান্নরগা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা নাকল অনীমক্তুগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা সেট অদু টাই ব্রেক্তা লৈখি। টাই ব্রেক অদুদসু অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নদবদগী পোইন্ট ৭-৭ মান্নরম্বদগী নিক কিরগিওসনা ৯-৭তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।



# স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা জিম্নাষ্টশিং ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন ইভেন্টশিংদা শরুক য়ানবা অয়াবা পীদ্রি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০২ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০২০দা জপান্না য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী জিম্নাষ্টশিং লৈবাক অসিগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীদ্রি।

জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না অজরবৈজানগী কোনুং বাকু অমসুং কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জিম্নাষ্টিক ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী জিম্নাষ্টশিং শরুক য়ানবগী ক্লিয়ারেন্স অদু পীদ্রিবনি।

থা অসিগী ১৪দগী ১৭ ফাওবা বাকু সিটিদা পাঙথোক্কদৌবিরা ৱর্ল্ড কপ অমদি থা অসিগী ২০দগী ২৩ ফাওবা কটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং সেরিজ ওইরিবা ৱর্ল্ড কপ অনী অদুদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী জিম্নাষ্ট দিপাকরমাকর মাঙজৌননা জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা রোজিষ্টর তৌদুনা লৈখ্রবনি। অদুবু চয়োল অনীমুক ফাদ্রবা মতম অসি ফাওবদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী জিম্নাষ্টশিংগী টুর অদুগী অয়াবা পীদুনা লৈরি।

দোহাগী জিম্নাষ্টিক ৱর্ল্ড কপ অদুদা দিপাকরমাকরখক্তা নত্তুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী মায়কৈদগী য়োগেশ্বর সিংহ অমসুং অশিসকুমারসু আর্টিষ্টিক ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

জিম্নাষ্টিক ফেন্দরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়াজ ভাটিবু ৱর্ল্ড কপ অনী অদুদা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংনবগীদমক খনখিবনি। অদুবু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী প্রোজেক্ট মেনেজর রাজিন্দর পথানিয়ানা ইভেন্ট অনী অদুদা চৎনীংদুনা ক্লিয়ারেন্স পীদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।



# ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মুম্বাই সিটি এফ সীবু এফ সী পুনে সিটিনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে



মুম্বাই, মার্চ ০২ (এজেন্সী) :

ঙসি মহারাষ্ট্রগী ফুটবোল টিম অনী মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং এফ সী পুনে সিটি লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ূম্বু ক্লব ওইখিবা এফ সী পুনে সিটিনা মুম্বাই সিটিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুনেদা লৈবা শ্রী সিব সত্রপটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা য়ূম্বু ক্লব এফ সী পুনে সিটিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা এটেক চৎখি। লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা এফ সী পুনে সিটি ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা পোইন্ট ১৯ ফংলগা তরেৎশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সী পোইন্ট ৩০ ফংলগা লীগ অসিগী অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা এফ সী পুনে সিটিগী মায়কৈদগী অদিল অহম্মদ খাননা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিং মেচ অদুগী অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু এফ সী পুনে সিটিগী দিফেন্দরশিং অদুগী ফজবা মশান্না পাঞ্জল চলহনখিদবদগী হাফ অদু পুনেগী টিম অদুনা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক মায়কৈ অনীদগী অকনবা মওংদা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা এফ সী পুনে সিটিগী মায়কৈদগী ইয়ান হিয়ুমনা ৮৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না থোইবগী তাঙ্কক নকশিলহনখি। শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লাপ্তোক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী অর্নোল্ড ইসোকোনা পাঞ্জল মা চল্লগা ঙসিগী মেচ অদু পুনে সিটিনা ২-১দা থোইদুনা টেবলদা টিম অদু ৬শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

# মণিপুরগী নেটবোল টিম খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএন এস)ঃ

থা অসিগী ২৩দগী ২৬ ফাওবা বেঙ্গালুরুদা লৈবা কোরামঙ্গলা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা সেনিয়র নেসনল নেটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী শান্নরোয় ১৪না শাবা টিম অমা খল্লে হায়না মণিপুর নেটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা এসোসিএসন অসিগী সেলেক্সন কম্মিটিনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদবা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি আই জোর্জ (সী দি সী), টি ঐচ নাওচা (ৱাই ও এ সী), এল বিকাস (এল এম ৱাই এস এ), টি ঐচ সসিলাসি (ৱাই ও এস সী), ও রেবান্তা (ৱাই পি সী), কে এস ঐচ ওলেন্দ্রো (ৱাই সী বি), দিনেস (ৱাই ও এস সী), দল্লিয়ু রোজিট (দি বি সী), লোয়ননা এল কে ৱাই দি এদগী সী ঐচ কেটনজিৎ, ঐচ মঙালস্না, কে জেকি অমসুং ঈ নেপোলিয়ননি। লোয়ননা রিজর্ভতা জেদ ৱাই ওদগী টি ঐচ গিৎচন্দ্র অমসুং এল কে ৱাই দি এদগী য়ু দিপক মীতৈনি। খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অসিনা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা কে ঐচ রতন অমসুং দল্লিয়ু মেঘচন্দ্রদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে?

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু।

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।





HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)




HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com